ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুলাই ৩০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১২৫শুবা মশীং

## খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স
### কোন্না শিংলকপবু করিনি হায়নবগে

খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা গাড়ী চঙবদা অথিংবা থমখ্রে। মসিগী মতাংদা য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস (য়াস) লোয়শঙগী দিরেক্টরনা জুলাই ২৭, ২০২২দা ওর্দর অমা থোকখ্রে। কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা লোয়শঙশিংগী থৌমীশিং ফাওবা মশাগী শক্তাক চে পুথোরক্ত্রবদি অথিংবসিনা কোনশিনগনি হায়দুনা খঙহনখ্রে। অদুগা কমপ্লেক্স অসিগী অৱাং থংবা অমসুং মখা থংবা গেটশিং হাংগদবা/থিংগদবগী পুংশিং/পুংফম ফাওবা লাউথোকখ্রে। য়াম্না ফজখ্রবা য়াস লোয়শঙগী দিরেক্টরনা লৌখৎলকপা থবকনি। অদুবু অসুক ফজখ্রবা থবকসি নহানমখৈ লৌখৎলকখিদ্রিবা করিগীনো? কৈদৌদনা লৈরুবনো? হৌজিক্তুদা ৱাখল তারকপ্রা? অসিগুম্বা মমৈথংদা/কোন্নথংদা শীংলকপগী থৌদৌসিবু করিনি হায়নবগে? মসিগুম্বসিদি ফজনদি হায়নদবনি। অদুবু অথেংবদা থোরকপা/ফরকপা থাবল ওইরবসু য়াম্না ফরে। ময়াম পূম্নমক্না থাবলগী মশেক মঙাল ফংবা হৌরে। অদুবু অথিংবসি থমজিন্দুনা চৎনহল্লক্লবা ফাওবদা অমুক্কসু অথিংবসিবু মপূং ফানা চৎনহন্নবগীদমক পোপথোক্তুনা পলহৌবা য়ারিবদি লৈবাকসিগী অপীকপা/অচৌবা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মনুংদা স্পোর্টসতদি মণিপুর অসি পাৱর হাওসনি হায়রিবনি। চুমসু চুম্মী। লৈবাকসিগী থাক্তা খক্তা নত্তনা মালেমগী ওইবা শান্নবগী ফম্বাক কয়াদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা লৈবাকসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবনি। নুপী অমসুং নুপা হায়বা খায়দনা মখা তানসু ষ্টেটসিগী শান্নরোয়শিংনা পজেং ফিরাল থেৎতুনা লৈবাকসিগী মিংচৎ পুরকখিগদৌরিবনি। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগনি মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমগী মমি ফাওবা তন্নক্লিবনি।

হোয়, তশেংনমক শান্নরোয়শিংগীদি শান্নবুংনা নীংথানি, মমাগী নাওশুমনি অমসুং থৱায়নি। মরম অসিনা শেল কোকথোং অমা চঙদুনা শেমগৎ-শাগৎখিবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সপু চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি তঙাইমক ফদনা মথৌ তাবা থবকনি। কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা শান্নবুংশিং অসিসু মখল মথেলগীনি। অকক্লবা মশান্না অমা-অনীখক্তংগী নত্তে। অদুঙৈ মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা লৈবাকসিগী নেসনল গেমস নংনবা শেমগৎ-শাগৎখিবনি। কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা হোকি ষ্টেদিয়মগী গেল্লরি কিন্থরকখিবা থৌদোক্তংগী মসিগী কন্ট্রেক্টরনি হায়বা মীওই অমগী থৱায় ফাওবা মাঙখ্রিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি স্পোর্টসকী পাৱর হাওসনি হায়রিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগীদি স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয়শিংগী মতিং ফুদোকফম অমা ওইরি। মশান্না কয়াগী লম্বা তৌনফমসু ওইরিবনি। মরম অসিনা কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা শান্নবুংশিং নীংথিজনা ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা লৈরকপনি। মসিগীদমক মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা শগোল কাংজৈ শান্নফম ওইরিবা মপাল কাংজৈবুংদি চেকশিন্না থম্লকপা কুইরে। মথৌ তাদবা মীওই অমত্তা চঙহন্দনা থম্লকপদগী হৌজিক পুমশঙ শংনা থম্বা ঙম্লিবনি। অদুবু খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতদি ইনখৎলক্লিবা শান্ন-খোৎনবগা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা ফাওবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং চাফম-থকফম ওইনা শীজিন্নরকপা, অতোপ্পা অরানবা লম্বীশিং চৎনবগী পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোকখ্রে। পূম্নমকসিগী মথক্তা চহী খরগী মমাঙদদি কমপ্লেক্স মনুংদমক নৎত্রবসু কমপ্লেক্স অসিগী অকোয়বদা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোকশিং ফাওবা থোক্তুনা অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টনি হায়বা মীওইশিং ফাওবা শিবা য়াওখ্রবনি। মরম অসিনা হন্দক য়াসকী দিরেক্টরনা লৌখৎলক্লিবা থবকসি অফবা/অচুম্বা থবকনি। খরা খজিক ঙনখৎনা হৌরক্লম্লগদি কান্নবা হেন্না ফংলমগনি হায়বগী ৱানি। অদুবু থেংলবসু থেংনা পায়খৎলক্লিবা থবকসি ফৈ। মসিনা কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দবা ঙম্বদা নত্তনা শান্নবুংশিং তৰূ-তনান্না থম্বা শোয়দনা ঙম্লগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **“কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।”** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **“য়াথং”** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **“লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।”** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **“মৈ চঙলবা চেক”** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফগৎলকপা ঙাক্কনা অহোংব্রা, ফৎচিল্লক্কবদি

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

এদ্যুকেসনদা অহোংবা কয়া লৈরক্লে হায়নরি। স্কুল কয়া লাইরিক তম্বা মনুংদা চঙবা ফাওবা কিবা মখৈ পৈথরকপা, কিন্থরকপা অসি অহোংব্রা? শেমজিনবা য়ারবা কেম্লবা স্কুল কয়া কয়া অঙাং মকোক মরূ থুগাইগদবগী ঙাইবা কয়ানি, মদুদা মচাশিংবু তমহনগনি খনবদা মমা মপা কয়াদি মথবাক য়ৈদুনা খাঙনরে। এদ্যুকেসনদা অহোংবা ওইনা স্কুল কয়া মূথৎখ্রে, স্কুল অমগা অমগা পুনশিন্নখ্রে। অহোংবা ওইনা স্কুল কয়া অৱাৎ অপানা পীক থল্লকপা, ওজা ৱাৎলকপা, স্কুলশিং শিথরকপা, তম্বীনবা অঙাং লৈশিল্লক্তবা, মহৈরোয় চাং ৱাংনা পাস তৌবা ঙমশিল্লক্তবা, প্রাইভেট স্কুলনা মথং মথং লাকশিল্লকপা, অঙাং কয়া লাইরিক তম্বা ঙমশিল্লক্তবা, ফী থিবা ঙম্নরক্তবা ময়ামসি এদ্যুকেসনদা লাকপা অহোংবনি। ফগৎলকপা ঙাক্তংনা অহোংবা নত্তে, ফৎচিল্লক্তংবা অসিসু অহোংবনি। তাইবঙ মীনা ফগৎলকপা ঙাক্তংবু অহোংবনি হায়য়জনীংবা অমদি লৈজৈ। নহান্দু স্কুলদগী অঙাংগী য়ুনিফোর্মগা টেক্সট বুকক নোট বুকক লৈরুবগী হল্লকপদা সুম মওল মওল খল্লকপনি। হন্দক্তি ঐ মওল মওল খরা খল্লি।

ঐখোয়না পামগেরা পামলোইরা এদ্যুকেসনদা অহোংবা য়াম্না উরে। মহৌশাদগী পুমওন ওনবমখৈ হেক হোংলে। শেল চৎপগী মতাং অসিমসু ওখাক শাথীনা হোংলে, শেল পায়দবা মমা মপাদি মচা লাইরিক তমহনবা ঙম্লক্ত্রে। মসি অহোংবা অমনি হায়দবা য়ারক্লোই। লৈঙাক্কী স্কুলদা মিংজলশেল ইরৌ লৌদবীদা তম্লম্বদু পাম্নরক্ত্রে, ফী চাওনা চাওনা থিদুনা লাইরিক তম্বনা হেন্না পাম্নরক্লে। মতৌ অসুম্না নোংমা নোংমগী ওইনা এদ্যুকেসন অসিদা অহোংবা ময়াম অমা ময়াম চঙদুনা পুরক্লে।




মহৌশাগুম্না অসুম হোংদনা লৈরকপা স্কুলগী মওং মতৌ খরসু লেঙদনা স্কুলগী মনাৎ ওইনা অসুম্মক লৈরি। টোইলেট মওং চানা শাবীদবনা খরা লৈরগা শীজিন্নবা য়াদবগী ফজরবা চৎনবী অদু হৌজিক হৌজিকসু ঙাক্তুনা অদুম লৈরি, অঙাংশিংগী শীজিন্নগদবা ঈশিং মরাং কায়না থম্বীদবা, অঙাংশিংনা মখোঙ মখূৎ হাম্বা লোইরগা শীজিন্নগদবা ঈশিং কোঞ্জিল লৈথোক্লুবদা লোইনা য়ুথোকখিরমদুনা ঈশিং মরীক অমফাও তারক্তবা অসি লিরবা মরা তারবা লিচৎনি (মশা নানবা পামজবা, মোৎপা পামজদবা, অমাং অশেং খায়জবা খুন্নাই অসিদা মখোঙ মখূৎ হাম্বদা ঈশিং মায়শিং য়াওরনু হায়বগী ৱাখল্লোন অমা ইপোক্তা পোকহল্লি হায়ফাও য়াই)। মসিগী ঈশিং ৱাৎপগী লীরবা চৎনবীসি ঙসিসু ওমোর ওইদুনা লৈরি। ঐখোয়না হেক অঙাং নপচোবা অমা ওইনা লৈজরকপা মতম অদুদগী হৌজিক ফাওবদা স্কুল শেগাইবা অসি য়াম্না পকচবা অমা ওইনা লৈরক্লি। মসি শেল লৈতবগীদি মান্দে মতম চানা শেমজিনবীদবা অমদি পাঙথোক চাম্বা হায়বা অদু ওইবা তাই। ঙসিসু অসুম্মক স্কুল শেগাইবা অসি মরাং কায়না ফংলি। স্কুলনা শেগাইবা অসি মশা নানবা পাম্বা ইনাক কৈরাক খুনবা মচাশিংনা করিম তম্নীংলম্লোই। ত্বেন্টিফর্ষ্ট সেঞ্চুরিদা লৈরম্বা মণিপুরগী স্কুলশিংগী ফীভমনি হায়না মসিগুম্বা স্কুলশিংগী ফিভমনি হায়দুনা ফজনা দোক্যুমেন্টেসন তৌদুনা থম্বীহৌরবদি হয়েং ঐখোয়গী তুংগী মীরোলনা উজরগা লৈবাক্কী মতমদুগী ওইরিবা ইতিহাসকী ফীভম খঙবদা য়াম্না মতেং ওইগনি। মসিগুম্বসিতা উদুনা অসুম লেপ্তুনা লাক্লবনি ঙসিসু অসুমক উদুনা লৈরি, উদুনসু অসুম লৈদৌ মানশিল্লক্লে। মসি খরা লৈরগদি হক ওইনা লৌনরকপা য়াই। স্কুল বিল্ডিং অসি সিমেন্ট, নূঙ, য়োৎ চাং ৱাৎপদগী মশা নাউ শাবা য়াওরম্বা য়াই মসিসু অসুম উরি। ফাউন্দেসন হৌগৎলক্লম্লগা শাবা শুকলোই লোইশিনদবা অসুম কিন্থরগা মাঙখিবফাও য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈপোৎতে মসিসু অসুম উরি, মহৌশাদগী স্কুলদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবা অদুম্মাইনা হৌজিকসু হনদ্রি।

ক্লাসরুমদা মৈ পুশিনবসি মখূৎ মশা য়াওবা অঙাংশিং মৈনা চিংগনি হায়বগীরা হৌজিকসু ক্লাসরুমদা মৈ ফংদবা অসি অসুম মখা মখা শমথরি। শারবা কালেনগী নুংশা অসিদা ফেন থারবদি অঙাং মশা ঙম্লোই, লোক থুংগনি, ফেন পাইথোরক্লবদি অঙাং মকোক তৎকনি হায়বগী মওংদা স্কুলদা ফেন পানবীদবা অদুগা পাল্লবসু উংবা য়াবা মওংদা পানবা ইয়াওমক য়াওরমদৌ মান্দে। স্কুল নোং য়ুবা অসি মহৌশাদগী চৎনরকপা য়াম্না ফজবা চৎনবী অমা ওইনরম্মী মসি হৌজিকসু অদুম পাউচেদা হেক হেক ফোটোগা কোন্ননা য়াওরকপা উনৈ। স্কুলনা মসা খপ্লদুনা উমাইবী ওল্লদুনা নুংশিৎতা পাইখিবগী পাউ কুম কাংবা লৈতে (হন্দকপুদি খিত্তং তাদে)। স্কুল লম্পাক্লা নোংজু থাদা লৌবুক ওল্লি। কালেন্থাদা মরুভুমি ওল্লি। মহৌশাগী মহৌশানি য়েংবদা য়াম্না নুংঙাই মতম লেনবদা নুমিৎ তাখিবা খঙহৌদে।

চহী খুদিংগী মেত্রিক এগজামিনেসনদা লৈঙাক্কী স্কুল ফৈ ফত্তে হায়নৈ। অঙাংনদা কান্নগদবা লাইরিক ময়াম থম্বা স্কুলগী লাইব্রেরি লৈতে, নুংশা শারগা হুম্নবা ফেন লৈতে, ফেন হুম্নবা মৈ লৈতে, ইন্টরনেট পীদে। স্কুল অঙাংনা নুংঙাইবা মফম ওইদে। স্কুল হায়বসি অঙাংনা নুংঙাইজবা লৈকোল, ঈশিং চাইবী, প্লেগ্রাউন্দ, সাইন্স সেন্টর অদুমাইনা চৎনীংবা মফম ওইদে, স্কুল অসি অঙাংশিংগী খ্বাইদগী চৎনীংদবা জেল ওইদুনা লৈরি। য়াম্না থীনা ফরবনি অঙাং খরা খরা পাস পুথোরক্লিবসি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ য়াইরি # ৩৫২

**– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –**

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা য়াম্না মরাং কায়না হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা লৌনবা ময়ায় ওইরপ্না চাওবা য়াইরি হায়রিবা পাম্বী অসিদা হিদাক্কী ওইবা মগুনশিং থোইদোক্না য়াওই। য়াইরি অসি কনাগুম্বনসু জাইরি (Jairi) পাম্বী হায়নসু কৌনৈ। য়াইরি পাম্বী অসি ইংলিসতা সিল্ক ত্রী (Silk tree) নৎত্রগা চাইনিজ এলবিজিয়া (Chinese albizia), বেঙ্গোলিদা চাকুৱা কোরোই (Chakua Koroi), অসামিজদা সাও কোরোই (Sau Koroi), হিন্দিদা কালা সিরিস (Kala Siris), গারোদা বোলফি (Bolphi), খাসিদা দেঙ ফালুত (Dieng Phallut), মিজোদা ভাঙ (Vang), কম্বোদিয়াদা কুল (Kool), চাইনিজদা য়িংসু (Yingshu), ইন্দোনেসিয়াদা সেঙ্গোন (Sengon) নৎত্রগা ক্যুরা (Keura), লাওসতা খাঙ (Khang), থাইদা কাং-লুৱাং (Kang luang), ভিয়েটনামিজদা চাম (Cham) নৎত্রগা চুম (Chum), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এলবিজিয়া চাইনেন্সিস (Albizia Chinensis (Osbeck) Merr.)* নৎত্রগা *এলবিজিয়া লোমাতোকার্পা (Albizia lamatocarpa DC.)* নৎত্রগা *এলবিজিয়া ষ্টিপুলাতা (Albizia stipulata DC.)* নৎত্রগা *এলবিজিয়া মারজিনাতা (Albizia marginata (Lam.) Merr.)* নৎত্রগা *পিথেসেলোবিয়ম সেরোনাই (Pithecellobium serronii Glaz.)* হায়না কৌই অমসুং মাইমোসেসী (Mimosaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - ইকায়থবী পাম্বী - ৱাটর সেন্সিটিও প্লান্ট (নেপচুনিয়া ওলরেসিয়া), য়োংচাক পাম্বী - ত্রী বিন (পার্কিয়া রোক্সবর্ধাই), চিগোংলৈ পাম্বী (আকাসিয়া নিলোতিকা) অসিনচিংবনি। য়াইরি পাম্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংগী স্পিসিসকী মমিং চাইনেন্সিস হায়বদি চাইনাগী ওইবদগী থোনবনি মরমদি পাম্বী অসি চাইনাদগী হৌরকফম ওইবা অমসুং মহৌশাগী ওইনা মরাং কায়না হৌবা অদুদগী থোনখিবনি।

য়াইরি হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১০০ ফাওবা ৱাংবা, মসা য়াম্না লোঙবা অদুগা অয়াম্বা মতমদা মনা অদু শংদুনতা লৈবা ময়ায় ওইরপ্না চাউবা উ পাম্বী অমনি। উ অসিগী মকু অদু পাতক্লা নাল্লি। উগী মকু অদু থাংনা য়ানবদা মপান থংবা শরুক অদু ঙাংশং ঙাংই অদুবু মনুং থংবা উ অদুদি মচু ঙৌই অমসুং ইয়াং য়াংই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না য়াইরি পাম্বী অসি ইন্দিয়া, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, খা থঙবা চাইনাগী মফমশিং, জাভানচিংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং অমসুং হিমালয়গী মফমশিংদা য়াইরি পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌই। বাংলাদেশতসু য়াইরি পাম্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। য়াইরি পাম্বী অসি নোং য়াম্না চুগনবা, উনা খরা কেনগনবা উমংশিং (দেসিদুঅস ফোরেষ্ট) মরু ওইনা অশাবা ত্রোপিকেল অমসুং খরা শারপ তৌবা সব-ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসি সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ৩০০দগী মিটর ১৮০০ ৱাংবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। য়াইরি পাম্বীগী থোইদোকপা মগুন অমা হায়রগদি পাম্বী অসি লৈহাও ইরৈ লৈতবা লৈবাক-লৈশাদসু অদুমক ফজনা হৌবা ঙম্বা অসিনি। ডন খরা খরা তাবদসু অদুমক হিংবা ঙম্মী।

য়াইরি পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। চা অমসুং কোফি পাম্বী থাবদা উরুম পীনবগীদমক্তা থাফম অদুদা য়াইরি পাম্বী অসি ফুট ২০-২৫গী অথাপ্পদা থানৈ। চাইনাদদি অপিকপা উরুম দরকার লৈবা মনম নুংশিবা অমসুং হীদাক কান্নবা পাম্বীশিংদা উরুম পীনবগীদমক্তা য়াইরি পাম্বী অসি থানৈ। লৈহাও চেন্থগনবা তুরেল অমসুং পাৎকী মপানশিং অমসুং লৈবাক তোয়না নিংখাইগনবা চীংশিংদা য়াইরি পাম্বী থাবনা লৈবাক কিন্থবা অমদি চেন্থখিবা অদু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না পাম্না থানৈ। পাম্বী অসি থাবনা লৈহাও চেন্দ্রবা লৈবাক অদু অমুক হন্না লৈহাও চেলহনবদা চাওনা মতেং পাংবা ঙম্মী। পাম্বী অসি মতম অয়াম্বদা মসা-মরেং পুঙনা শংত্রিক শংনা লৈবনা মরম ওইদুনা পাম্বী অসি পার্ক, হৈকোল-লৈকোলশিংগী অকোয়বা অমসুং লম্বী-সরক্কী মতায়দা এভেন্যু ত্রী অমা ওইনসু থানৈ। য়াইরি পাম্বীগী মনা অদু শা-ষণনা মরু ওইনা হামেংগী শজিক ওইনা পীজ নৈ। য়াইরি পাম্বীগী উ অদু য়াংবা মরম্না অপীকপা য়ূম, উপু-কাংথোল শাবদা শীজিন্নবগী মথক্তা চা হাপ্পবা উপু অমসুং খূৎশু-খূৎলায়শিংগী পেকেজিং হায়বদি য়োম্নবা উপুশিং শাবদা শীজিন্নৈ। য়াইরি পাম্বীগী উ অদু য়াংবা অদুবু মপাঙ্গলদি অদুমক কনবা মরম্না হি অমসুং অপিকপা জহাজশিং শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী উ অদু থুনা চাকথোকপা অমসুং প্রেক-প্রেক কাপ্পা মরম্না শীং ওইনা শীজিন্নবদি কয়া পাম্নদে।

য়াইরি পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অদুমক য়াওই। পাম্বী অসিদা লিগনিন (Lignin) গী চাং ৱাংনা য়াওবগী পাউদম লৈ। লুপিওল (Lupeol), অলফা-এমাইরিন (α-amyrin), ষ্টিগমেসতেরোল (Stigmasterol), বিতা-সিতোসতেরোল (β-Sitosterol) নচিংবা অসি য়াইরি পাম্বীদা য়াওই হায়না শর্মিন (Sharmin) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৪দা পাউদমখি। বাংলাদেশকী অরিবা অনা-লায়েং পথাপ্তা য়াইরি পাম্বীগী উগী মকু অদু ঈশিং খরগা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা নোংমদা অহুম্লক তৈদুনা অশোক-অপন তৌবা, উনশাগী লায়নাশিং মরু ওইনা স্কেবীজ (Scabies) হায়রিবা য়াম্না হাক্কচবা লায়নাশিং অদু লায়েংনৈ।

পাউদম অদুনা মখা তারদুনা হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু চাং নাইনা তৈবদা নুপীগী অঙাংথোঙ (Uterus) অদু মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্মী হায়বসিনি। মনোসরোয়া (Manasroia) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১০১২দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না কেন্সর লায়েংদা শীজিন্নরিবা সিসপ্লেটিন (Cisplatin) অসিদগীদি য়াইরি পাম্বী অদু ঈশিংদা শুগায়রগা লৌবা মহী অদুনা প্রোলিফরেটিভ (Proliferative) কী মগুণ হেন্না য়াওই হায়বসিনি। য়াইরি পাম্বীগী মতোন অদু ঈশিংদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা হক্কী ঈশিং য়াফম তৌবা অদুদা ঈশিং হেন্না পৌহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। ●